# সনালৈবাক স্পোর্টস

IMPHAL, TUESDAY, DECEMBER 10, 2019 **PAGE 7**




*ওল মণিপুর বোদি বিল্ডর্স এসোসিয়েসন্না শীন্দুনা পাঙথোকখিবা ৫৮শুবা মিষ্টর মণিপুরগী ৱুমেন স্পোর্টস ফিজিক্সকী টাইটল লৌখ্রবী সোলিমলা জাজো*



*ওল মণিপুর বোদি বিল্ডর্স এসোসিয়েসন্না শীন্দুনা পাঙথোকখিবা ৫৮শুবা মিষ্টর মণিপুরগী ৱুমেন বোদি বিল্ডিংগী টাইটল লৌখ্রবী ইঙুদম কবিতা চনু*

## বালাগী গোল অনীনা ইন্দিয়ানা নেপালবু ২–০ দা মায়থিবা পীদুনা থংন–থংননা ৩লকশুবা গোল্ড লৌখ্রে

*কাঠমান্দু, দিসেম্বর ০৯ (এজেন্সি)ঃ*

নেপালনা য়ুম্বু ওইরগা থা অসিগী ১দগী চথরক্লিবা ১৩শুবা সাউথ এসিয়ান গেমসকী ঙসি শান্নখিবা নুপীগী ফুটবোল ফাইনেল মেটচতা মণিপুরগী শান্নরোই বালা দেবীনা চনখিবা গোল অনীনা ইন্দিয়ানা য়ুম্বু নেপালবু গোল ২–০ দা মায়থিবা পীদুনা গেমস অসিদা থংন–থংননা অহুম্লকশুবা গোল্ড মেডল লৌখ্রে।



ইন্দিয়া অমসুং নেপালনা শান্নখিবা নুপী ফুটবোল ফাইনেল মেটচ অসি হেক হৌরকপদগী ইন্দিয়াগী শান্নরোইশিংনা দোমিনেট তৌদুনা লাকখি। মেটচকী অয়াম্বা মতমদা ইন্দিয়াগী শান্নরোই রতনবালা দেবী অমসুং সঙ্গিতা বাসফোনা ফিল্ডগী ময়ায় থংবা পোজিসন্দা লৈদুনা বোল হেক ফংবগা নেপালগী গোল তম্না পুশিন্নবা হোৎনখি।

শান্নবা হৌদ্রিঙৈ ইকুই কুইদ্রিঙৈদা ইন্দিয়াগী শান্নরোই রঞ্জনা চনুনা পীরকপা ক্রোস অমা টিমমেট রতনবালা দেবীনা গোল তম্না কাওশিনবদা ক্রোস বার মথক্তা খজিক্তং লাম্থোক্তুনা চৎখিবদগী গোল মাঙজিল থারম্বা য়াবা খুদোংচাবা অমা মাঙজখি।

চথরিবা সাউথ এসিয়ান গেমস অসিগী নুপীগী ফুটবোলদা ইন্দিয়ানা মেটচ ৫ শান্নখিবদা টিম অসিগী গোলকিপর আদিতি চৌহাননা য়াম্না ফজবা পার্ফোমেন্স উৎপা ঙমদুনা মায়োক্নবা টিমগী শান্নরোইশিংনা গোল অমত্তা চলহন্দবা ঙমখি।

মতম খরা টিম অনীগী মায়কৈন্দগী গোল অমত্তা চন্নদনা লাকখ্রবা মতুং মেটচকী ১৮শুবা মিনিটতা ইন্দিয়াগী শান্নরোইশিংগী এটেক অমদা টিম অসিদা শরুক য়ারিবী মণিপুর মচা বালা দেবীনা মেটচকী অহানবা গোল চন্দুনা ১–০ দা মাঙজিল থাখি।

মেটচকী ৩০শুবা মিনিট শুরকপদা রঞ্জনা চনুনা কাওরকপা কোর্নর কিক অমা টিম অসিগী কেপ্টেন অসালাতা দেবীনা টিমমেট সন্ধ্যাদা খাইদোরকপদা রেফরিনা ওফ সাইদ পীখিবদগী ইন্দিয়ানা গোল চনবা য়াবগী য়াম্না ফজবা তাঞ্জা অমা মাঙজখি।

অহানবা হাল্ফ লোইরমদাইদা ইন্দিয়াগী গোলকিপর আদিতি চৌহাননা নেপালগী শান্নরোইশিংনা কাওশিল্লকপা সোট খরা ঙাকথোকপা ঙমদুনা হাল্ফ অসি লোইশিনখিবা ফাওবদা ইন্দিয়ানা গোল ১–০ দা মাঙজিল থাদুনা লাকখি।

অনীশুবা হাল্ফ শান্নরকপদা ইন্দিয়া টিমদা শরুক য়ারিবী মণিপুর মচা রতনবালা দেবীনা গোল চনশিনবা য়াবা খুদোংচাবা ফংখ্রবসু গোল ওম্থোকপা ঙমদনা লাকখি।

মখা তানা শান্নরকপা মেটচকী ৫৬শুবা মিনিটতা ইন্দিয়াগী শান্নরোইশিংগী এটেক অমদা টিম অসিগী অহানবা গোল চনখিবা বালা দেবীনা পাঞ্জল অমগা চনশিন্দুনা ২–০ দা মাঙজিল থাদুনা মায় পাকপগী লম্বেলদা পুশিল্লকখি।

মেটচকী অপীবা মতম লোইশিল্লক্লবা ফাওবদা টিম অনীগী মায়কৈন্দগী অহেনবা গোল হাপচিনবা ঙম্নখিদবদগী নুপীগী ফুটবোল ফাইনেল মেটচ অসি ইন্দিয়ানা গেমস অসিগী য়ুম্বু নেপালবু গোল ২–০ দা মায়থিবা পীরম্লগা থংন–থংননা অহুম্লকশুবা গোল্ড মেডল লৌবা ঙমখি।

ইন্দিয়াগী নুপী ফুটবোল টিমদা শরুক য়ারিবী মশাগী চহী ২৯ শুরবী মণিপুর মচা বালা দেবীনা মেটচ ৪ শান্নবদা গোল ৫ চন্দুনা টোপ স্কোরর ওইবা ঙমখি।

## দোপিং স্কান্দলগা মরী লৈননা ৱাদানা রুশিয়াবু ওলেম্পিক্সতগী চহী মরি অথিংবা থমখ্রে

*মোস্কো, দিসেম্বর ০৯ (এজেন্সি)ঃ*

ৱার্ল্ড এন্টি দোপিং এজেন্সি (ৱাদা) না ঙসি লৌখিবা ৱারেপকী মতুং ইন্না রুশিয়াবু দোপিং স্কান্দলগা মরী লৈননা কুমজা ২০২০ টোকিও ওলেম্পিক্স অমসুং ২০২২ দা পাঙথোক্কদৌরিবা বৈজিং ৱিন্টর ওলেম্পিক্স য়াওনা চহী ৪ অথিংবা থমখ্রে।

ৱাদাগী ইকজিক্যুটিভ কম্মিটিগী ঙসি ফমখিবা মীফম্না য়ান্নখিবা ৱারেপ্তি রুশিয়ান এন্টি দোপিং এজেন্সি (রুশা) না হৌখিবা চহী ২০১৫ দগী ৱাদাদা থাগৎলকখিবা লেবোরেটরি দেটাশিং অদু শেমদোক–শাদোকপনি। লৈবাক অসিগী দোপিং এজেন্সি অসিনা মোস্কোদা লৈরিবা লেবোরেটরি অসিদা শেংদবা খুদম চাং দম কয়া অমা শেমজিনবগা লোয়ননা মরুওইবা দেটা কয়া অমা মাঙহনবগী থবক চথুরি। মসি পূম্নমক অসি ৱাদাগী চৎন–পথাপকী ৱাংমদি হায়না লৈবাক অসিবু ওলেম্পিক্স গেমস অনী য়াওনা চহী মরি অথিংবা থমখিবনি।

কুমজা ২০১৫ দা রুশিয়ান এন্টি দোপিং এজেন্সিনা লৈবাক অসিগী এথলেটশিংবু ৱাদানা থিংখ্রবা পোৎয়ান য়াওবা দ্রগ শীজিন্নহন্দুনা শরুক য়াহনবগীদমক মালেমগী থাক্তা পাঙথোকপা অচৌবা টুর্নামেন্টশিংদা শরুক য়াহন্দনা লাকখিবনি।

ৱাদাগী চৎন–পথাপকী ৱাংমদা রুশানা থবক তৌরুবগীদমক লৈবাক অসিগী এথলেটশিংবু চহী ৪ অথিংবা থমখিবদগী লৈবাক অসিগী শান্নরোইশিংনা হায়জরকপদগী ন্যুত্রেল ফ্লেগকী মখাদা কুমজা ২০১৮ দা পাঙথোকখিবা পিওংচাং ওলেম্পিক গেমসতা শরুক য়াহনখিবনি।

হিরম অসিগী মতাংদা রুশিয়াগী স্পোর্টস মিনিষ্টর পাভেল কোলোবকোনা লৈবাক অসিগী প্রসিদেন্ট ৱ্লাদিমির পুটিনদা ওইরিবা ফিভম অসিগী মতাংদা কুপ্না খঙহন্দুনা মতেং পাঙবিনবা হায়জবসু লৈখ্রবনি।

ৱাদানা লৌখৎলক্লিবা খোঙথাং অসিদা রুশানা আপিল তৌরক্লবদি কেস অসি মখা তানা কোর্ট ওফ অর্বিত্রেসন ফোর স্পোর্টস (সি এ এস) তা খূৎশিন্নরগনি হায়না ৱাদানা ৱার্নিং তৌখি।

## ইটালিগী সেরি এ ফুটবোলদা মিলাননা বোলোগনাবু গোল ৩–২ দা মায়থিবা পীখ্রে



*রোম, দিসেম্বর ০৯ (এজেন্সি)ঃ*

ইটালিদা পাঙথোকপা মকোক থোংবা ফুটবোল লীগ টুর্নামেন্ট সেরি এগী ঙসি শান্নখিবা ১৫শুবা রাউন্দগী লীগ মেটচতা মিলাননা বোলোগনাবু গোল ৩–২ দা মায়থিবা পীখ্রে, অতোপ্পা লীগ মেটচ অমদা পারমাসু মায় পাকখ্রে।

মিলান অমসুং বোলোগনানা শান্নখিবা লীগ মেটচ অসিগী ১৫শুবা মিনিটতা মিলাননা ফংখিবা পেনাল্টি অমদা পিয়াটেকনা মেটচকী অহানবা গোল চন্দুনা মাঙজিল থাবা ঙমখি। মখা তানা শান্নরকপা মেটচকী ৩২শুবা মিনিটতা মিলানগী অতোপ্পা শান্নরোই থিও হর্নান্দেজনা গোল অমগা চনশিন্দুনা ২–০ দা মাঙজিল থাখি।

মেটচকী ৪০শুবা মিনিটতা মিলানগী শান্নরোই থিও হর্নান্দেজনা শোয়বদগী চনশিনখিবা গোলনা অহানবা হাল্ফ লোইশিনখিবদা মিলাননা বোলোগনাদগী গোল ২–১ দা হেন্দুনা লাকখি।

অনীশুবা হাল্ফ শান্নবা হৌরকপা অহানবা মিনিটতা মিলানগী শান্নরোই জিয়াকোমো বোনাভেন্চুরানা গোল অমগা হাপচিন্দুনা ৩–১ দা হেন্দুনা মায় পাকপগী লম্বীদা পুশিনবা হৌখি।

মেটচকী অপীবা মতম লোইগদবা মিনিট ৬ ৱাৎলিঙৈদা বোলোগনানা ফংখিবা পেনাল্টি অমদা টিম অসিগী শান্নরোই নিকোলা সানসোননা গোল অমা চনবা ঙমখ্রবসু মেটচ অসি মিলাননা বোলোগনাবু গোল ৩–২ দা মায়থিবা পীরমখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা অতোপ্পা ১৫শুবা রাউন্দগী মেটচ অমদা পারমানা সাম্পদোরিয়াবু গোল ১–০ দা থোইখি। মেটচ অসিদা পারমাগী মায় পাকপগী অমত্তা ঙাইরবা গোল অসি মেটচকী ২১শুবা মিনিটতা জুরাজ কুক্কানা চনবা ঙমখিবনি।

স্পেনগী লা লীগা ফুটবোলদা সিভিল্লা অমসুং ওসাসুনা গোল ১–১ দা দ্রো চৎখ্রে। মেটচকী ১১শুবা মিনিটতা সিভিল্লাগী শান্নরোই মুনির ইল হাদ্দাদিনা মেটচকী অহানবা গোল চন্দুনা ১–০ দা মাঙজিল থাখি। অহানবা হাল্ফকী অরোইবা মিনিটতা ওসাসুনাগী শান্নরোইশিংনা চথুরকখিবা এটেক অমদা টিম অসিগী শান্নরোই ইজেক্কেল অভিলানা গোল অমা চনখিবা অদু মেটচকী অপীবা মতম লোইখ্রবা ফাওবা লৈখিবদগী দ্রো চৎখি।

## আইজোলনা ইন্দিয়ান এরোজবু ২–১ দা থোইখ্রে

*পনাজি, দিসেম্বর ০৯ (এজেন্সি)ঃ*

হেরো আই–লীগকী ঙসি শান্নখিবা লীগ মেটচ অমদা আইজোলনা ইন্দিয়ান এরোজবু গোল ২–১ দা থোইদুনা লীগ অসিগী পোইন্ট টেবলদা অহুমশুবা পোজিসন্দা হাইগৎপা ঙমখ্রে।

গোৱাগী টিলক মৈদানদা শান্নখিবা মেটচ অসি হেক হৌবদগী য়াম্না লম্বা মান্নরকখিবদগী অহানবা হাল্ফকী শান্নবা লোইশিনখিবা ফাওবদা টিম অনীগী মায়কৈদগী গোল অমত্তা চন্নদনা লাকখি।

অনীশুবা হাল্ফ শান্নরকপদসু মায়কৈ অনীগী শান্নরোইশিংনা অকনবা এটেক কয়া চথনদুনা গোল হান্না চনশিন্নবা হোৎনদুনা লাকখি। মেটচকী ৬৪শুবা মিনিটতা আইজোলগী শান্নরোইশিংগী এটেক অমদা ৱিলিয়ম লালনুনফেলা মেটচকী অহানবা গোল চন্দুনা মাঙজিল থাবা ঙমখি।

মতম খরা অহেনবা গোল চনশিনবা ঙম্নদনা লাকখ্রবা মতুং মেটচকী ৮১শুবা মিনিটতা য়ুম্বু টিম ওইখিবা ইন্দিয়ান এরোজগী শান্নরোইশিংগী এটেক অমদা ভিক্রম সিংহনা গোল অমা চন্দুনা ১–১ দা মান্নহনবা ঙমখি।

মেটচকী অরোইবা মিনিটতা আইজোলগী শান্নরোইশিংগী এটেক অমদা জো জোহরলিয়ানানা মেটচকী মায় পাকপগী গোল অদু চন্দুনা চথুরিবা হেরো আই–লীগ ফুটবোল টুর্নামেন্ট অসিগী পোইন্ট টেবলদা অহুমশুবা মফমদা হাইগৎপা ঙমখি।

### ক্রোসৱার্দ ৩৬৩ গী পাউখুম

| | | | | | | | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| A | R | D | O | R | | E | C | R | U | | S | I | P | S |
| B | E | I | G | E | | T | O | O | T | | A | R | I | A |
| E | B | E | R | T | | C | O | A | T | | G | O | A | L |
| T | A | T | E | R | | E | L | S | E | | A | N | N | E |
| | | | | A | C | T | | T | R | A | N | S | O | M |
| E | A | R | A | C | H | E | | S | S | W | | | | |
| A | M | A | T | E | U | R | S | | | E | A | R | T | H |
| V | E | T | O | | M | A | P | L | E | | S | U | R | E |
| E | N | E | M | Y | | | A | I | R | L | I | N | E | R |
| | | | | A | R | F | | T | R | E | A | T | E | D |
| D | R | E | A | M | E | R | | E | S | S | | | | |
| R | O | A | D | | H | E | R | R | | S | O | L | I | D |
| E | D | G | E | | A | S | E | A | | E | R | A | S | E |
| S | E | E | P | | S | N | I | T | | N | A | M | E | S |
| S | O | R | T | | H | O | N | E | | S | L | E | E | K |

## *ইন্দিয়ান সুপর লীগ ২০১৯–২০*

## চেন্নাইন এফ সি অমসুং জমসেদপুর এফ সি গোল ১–১ দা দ্রো চৎখ্রে

*জমসেদপুর, দিসেম্বর ০৯ (এজেন্সি)ঃ*

ইন্দিয়াদা পাঙথোকপা ফুটবোল লীগ টুর্নামেন্টশিংগী মনুংদা অহানবা থাক্তা লৈরিবা ইন্দিয়ান সুপর লীগ ২০১৯–২০ সিজনগী ঙসি শান্নখিবা ৭শুবা রাউন্দগী মেটচতা চেন্নাইন এফ সি অমসুং জমসেদপুর এফ সি গোল ১–১ দা দ্রো চৎখ্রে।



চেন্নাইন এফ সি অমসুং জমসেদপুর এফ সিনা শান্নখিবা লীগ মেটচ অসি মেটচ হেক হৌবদগী নাকল অনীগী শান্নরোইশিংনা অঙম্বা পাঙ্গল পুথোক্লদুনা গোল চনশিন্নবা হোৎনরকখি।

মেটচকী মিনিট ২০ হেন্না হৌজিনখ্রবা ফাওবদা গোল অমত্তা চন্নবা ঙমদনা লাকখি। শান্নবগী ২৬শুবা মিনিটতা চেন্নাইন এফ সিগী শান্নরোইশিংনা চথুরকখিবা এটেক অমদা নেরিজস বালস্কীসনা মেটচকী অহানবা গোল চন্দুনা ১–০ দা মাঙজিল থাদুনা লাকখি।

গোল শোথবগী প্রেসর লৈরবা জমসেদপুর এফ সিগী শান্নরোইশিংনা গোল হন্দোক্নবা হোৎনদুনা চেন্নাইন এফ সিগী মায়কৈদা তোঙান–তোঙানবা লাল্লোং কয়া শীজিন্নদুনা এটেক কয়া চথুরকখি।

জমসেদপুর এফ সিগী শান্নরোইশিংনা চথুরকখিবা এটেকশিং অদু চেন্নাইন এফ সিগী দিফেন্দরশিংনা নীংথিনা মায়োক্নবা ঙমখিবদগী অহানবা হাল্ফকী অপীবা মতম লোইশিনখিবা ফাওবদা গোল হন্দোকপা ঙমখিদবদগী চেন্নাইননা ১–০ দা মাঙজিল থাদুনা লাকখি।

অনীশুবা হাল্ফকী শান্নরকপদা টিম অনীগী মায়কৈদগী অকনবা এটেক কয়া চথনরক্তুনা অহেনবা গোল চনশিন্নবা হোৎনরকখি। মায়কৈ অনীগী দিফেন্দরশিংনা চথনরকখিবা এটেকশিং অদু নীংথিনা মায়োক্নবা ঙমখিবদগী মতম কুইনা অহেনবা গোল চনশিনবা ঙম্নদনা লাকখি।

মেটচকী অপীবা মতম লোইশিল্লক্লবা ফাওবদা য়ুম্বু টিম ওইখিবা জমসেদপুর এফ সিনা শোথখিবা গোল অদু হন্দোকপা ঙমখিদবদগী চেন্নাইন এফ সিনা মেটচ অসি মায় পাকপগী লম্বেলদা নকশিল্লকখি।

মেটচকী অপীবা মতম লোইগদবা মিনিট অমখক ঙাইরবা মতমদা গোল শোথরিবা জমসেদপুর এফ সিগী শান্নরোইশিংনা চথুরকখিবা এটেক অমদা ইসাক ভানমালসাৱানা য়াম্না মরুওইবা গোল অদু চন্দুনা মেটচ অসি গোল ১–১ দা দ্রো চৎতুনা পোইন্ট অমমম য়েন্নখি।

থা অসিগী ১১ দা শান্নগদবা ইন্দিয়ান সুপর লীগ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ৮শুবা রাউন্দগী অহানবা মেটচতা ওড়িষা এফ সি অমসুং হায়দরবাদ এফ সি শান্নরগনি।

টুর্নামেন্ট অসিদা এটলেটিকো দি কোলকটানা পোইন্ট ১৪ ফংদুনা টেবলগী মকোক্তা লৈরি। বেঙ্গালুরু এফ সিনা অনীশুবা অদুগা গোৱা এফ সিনা অহুমশুবদা লৈরি।

## ইন্দিয়াগী টিম ৱেষ্ট ইন্দিজগী মখূত্তা মায়থিখ্রে

*থিরুবন্থপুরম, দিসেম্বর ০৯ (এজেন্সি)ঃ*

ইন্দিয়া অমসুং ৱেষ্ট ইন্দিজনা শান্নখিবা ক্রিকেট সেরিজ অসিগী মনুং চন্না ঙরাং অথেংবদা থিরুবন্থপুরমদা শান্নখিবা অনীশুবা টি–২০ মেটচতা য়ুম্বু ইন্দিয়াগী টিম ৱেষ্ট ইন্দিজগী মখূত্তা ৱিকেট ৮ দা মায়থিদুনা সেরিজ ১–১ দা মান্নখ্রে।

মেটচ অসিগী টোস ৱেষ্ট ইন্দিজনা ঙমদুনা বোল্লিং হান্না তৌখি। ইন্দিয়ানা হান্না বেট্টিং তৌদুনা শান্নরকপদা ওভর ২০ দা ৱিকেট ৭ তুরগা রন ১৭০ লৌবা ঙমখি।

ইন্দিয়াগী ইন্নিংস অসিদা অহুমশুবা বেটসমেন ওইনা চঙলকখিবা সিভম দুবেনা বোল ৩০ দা সিক্স ৪ অমসুং ফোর ৩ য়ৈরগা রন ৫৬ লৌরম্বা অসিনা টিম অসিগী খ্বাইদগী ফজবা স্কোর ওইখি। ৫শুবা বেটসমেন ওইনা চঙলকখিবা টিম অসিগী ৱিকেটকিপর রিসব পন্টনা আওট ওইদনা রন ৩৩ লৌরম্বা অসিসু টিম অসিগী শিংথাবা য়াবা স্কোর ওইখি।

ৱেষ্ট ইন্দিজনা মায় পাক্নবগী রন ১৭১ লৌবগী মথৌ তাখিবা অদু ১৯শুবা ওভরগী ৩শুবা বোলদা শুপ্নগী ৱিকেট ২ খক আওট ওইরগা লৌবা ঙমদুনা অনীশুবা টি–২০ মেটচ অসি ৱিকেট ৮ দা ইন্দিয়াবু মায়থিবা পীরম্লগা সেরিজ ১–১ দা মান্নহনবা ঙমখি।

ৱেষ্ট ইন্দিজগী বেট্টিংদা ওপনর লেন্দল সাইমোন্সনা আওট ওইদনা রন ৬৭ লৌরম্বা অসিনা খ্বাইদগী ফজবা ওইখি। অতোপ্পা ওপনর ইভিন লেৱিসকী রন ৪০, ৪শুবা বেটসমেন নিকোলাস পুরানসু আওট ওইদনা রন ৩৮ লৌরমখি।

## সাউথ এসিয়ান গেমসকী বোক্সিংদা ইন্দিয়াগা গোল্ড ৬ লৌখ্রে

*কাঠমান্দু, দিসেম্বর ০৯ (এজেন্সি)ঃ*

নেপালনা য়ুম্বু ওইরগা চথরিবা ১৩শুবা সাউথ এসিয়ান গেমসকী বোক্সিং দিসিপ্লিনদা ইন্দিয়াগী বোক্সরশিংনা গোল্ড মেডল তরুক লৌখ্রে।



নেসনেল চেম্পিয়ন ইন্দিয়াগী অনকিত খাতানানা কেজি ৭৫ গী কাঙলূপ্তা অদুগা কাইভানি স্রিনিভাসননা কেজি ৪৮ গী কাঙলূপ্তা গোল্ড মেডল অমমম লৌবা ঙমখি।

নুপাগী কেজি ৪৯ গী কাঙলূপকী ঙসি থিন্নখিবা ফাইনেল বাওটতা ইন্দিয়াগী বোক্সর বিনোদ টনৱারনা ভুটানগী বোক্সর টাসি ৱাংদিবু পোইন্ট ৫–০ দা মায়থিবা পীদুনা গোল্ড লৌখি। কেজি ৫৬ কী কেটেগোরিদা শরুক য়ারিবা ইন্দিয়াগী সচিননা ফাইনেল বাওটতা বাংলাদেশকী মিয়া এম দি রোবিনবু পোইন্ট ৫–০ দা মায়থিবা পীরম্লগা গোল্ড মেডল ফংবা ঙমখি।

নুপাগী কেজি ৯১ গী কেটেগোরিদা শরুক য়ারিবা ইন্দিয়াগী বোক্সর গৌরভ চৌহানবু ফাইনেল বাওটতা পাকিষ্টানগী বোক্সর সানাউল্লাহবু পোইন্ট ৪–১ দা থোইদুনা গোল্ড লৌখি।

নুপীগী কেজি ৬০গী কাঙলূপ্তা শরুক য়াখিবী ইন্দিয়াগী পরভিনসু ফাইনেল বাওটতা নেপালগী মহারাজন ললিতাবু পোইন্ট ৩–২ দা থোইদুনা গোল্ড মেডল ফংখি। ৱার্ল্ড চেম্পিয়ন্সিপকী ব্রোঞ্জ মেডালিষ্ট মনিস কৌশিক ফাইনেলদা মায়থিহৌদুনা সিলভর মেডল ফংহৌখি।

গেমস অসিগী অরোইবা নুমিৎ ওইরিবা দিসেম্বর ১০ দা ইন্দিয়াগী বোক্সর ভিকাস কৃষ্ণন (কেজি ৬৯), নরেন্দর (কেজি ৯১ মথক), স্পার্স (কেজি ৫২) অমসুং ভারিন্দর (কেজি ৬০) না নুপাগী ফাইনেল বাওটশিংদা শরুক য়াগনি। নুপীগী কাঙলূপ্তা পিঙ্কি রানী (কেজি ৫১), সোনিয়া লাথর (কেজি ৫৭) অমসুং মঞ্জু বাম্বোরিয়ানা মখোয়–মখোয়গী কেটেগোরিগী ফাইনেল বাওটশিং লম্বা তৌনগদৌরি।

সাউথ এসিয়ান গেমস অসিগী কবাদ্দিদা ইন্দিয়াগী নুপা অমসুং নুপীগী টিমশিংনা গোল্ড মেডল লৌবা ঙমখি। নুপাগী কবাদ্দিগী ঙসি শান্নখিবা ফাইনেলদা শ্রী লঙ্কাবু পোইন্ট ৫১–১৮ দা য়াম্না লায়না মায়থিবা পীদুনা গোল্ড মেডল লৌখি।

কবাদ্দি মশান্না অসিগী নুপীগী কাঙলূপকী ঙসি শান্নখিবা ফাইনেল মেটচতা ইন্দিয়াগী নুপী টিম্না গেমস অসিগী য়ুম্বু লৈবাক নেপালবু পোইন্ট ৫০–১৩ দা মায়থিবা পীদুনা গোল্ড মেডল লৌখি। গেমস অসিনা ইন্দিয়ানা গোল্ড ১৬৩, সিলভর ৯১ অমসুং ব্রোঞ্জ ৪৩ পুন্না মেডল ২৯৭ ফংদুনা টেল্লিগী মকোক ওইরি।


COUNCIL OF HIGHER SECONDARY EDUCATION,
MANIPUR

NOTIFICATION
Imphal, the 9th December, 2019

No.2/15/96-HSC(Vol-I): It is, hereby, informed to all concerned that a Group Discussion Session for the Head Examiners, Assistant Head Examiners & Supervising Examiners and appointed Examiners of the ensuing Higher Secondary Examination, 2020 in connection with the techniques of evaluation of answer scripts scheduled on 11th December, 2019 and 16th to 18th December, 2019 respectively have been postponed until further order due to the present situation of the State.

Sd/-
( CH. BIREN SINGH )
Secretary, Council of Hr. Sec. Education,
Manipur

SL/B/10



SACRED HEART HR. SEC. SCHOOL
POROMPAT, OPP. DDK IMPHAL
Recognised by the BOSEM & COHSEM

ADMISSION OPEN
FOR THE ACADEMIC SESSION 2020
FOR THE CLASSES PRE-NRY TO CL-VIII

With the completion of 30 years of service in the field of education, School is pleased to announce SPECIAL CONCESSION for admission to NURSERY & PRE-NURSERY.

Plz. Contact School Office for more details during School hours. Sd/- Principal

SL/5587/6 Dec.+ 15 Days